ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯁꯒꯣꯜꯁꯦꯟ, ꯃꯥꯔꯆ ꯲꯱, ꯲꯰꯲꯴, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯷ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯳꯴꯹ ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
শগোলশেন, মার্চ ২১, ২০২৪, ইম্ফাল
৪৭শুবা চহী, ৩৪৯শুবা মশীং

তেকশিন হঞ্জিল্লক্কনু

মপোক-মপোক্তা থেংনগুমসি হায়রক্লে

হৌজিক লৈরিবা ষ্টেট লৈঙাকসি মতুং লাক্কদবা লৈঙাকশিংদা তেকশিন-হঞ্জিল্লক্তবা ওইরসনু অমসুং লৈঙাক্লোইশিংসিগা মপোক-মপোক্তসু থেংনগুমসি হায়নরকপা য়াওরে। মিৎনা উরে, নাকোংনা তারে। মসিবু করিগী ওইরমগদগে? ৱাফমশিংসি মীওই খরখক নত্তনা অয়াম্বা মীয়াম্না হায়রক্লবসু লৈঙাকসিবু অমসুং মসিগী লৈঙাক্লোইশিংগীদমক ফীভম্না অমদি মতম্না ফোংনা কাংথোরকপা ঙমজদ্রবসু শিরগে মখে চপ য়ুংনা লেপ্পা মীওইশিংসু শোয়দনা লৈরমগনি। অরুবা ঈশিং লৈরবদি অনৈবা খরসু লৈবা হৌনশানি। অনীগী মরক্তা অমনা অমদগী মশীং হেন্দোক-হেঞ্জিনগী ৱানি। অদুবু মীয়াম্না খঞ্জখিবা মীহুৎশিং, মখোয়না শেমজবা লৈঙাক, মখোয়গী লৈঙাক্লোনগী ঈচেলদা মীয়াম হুপ্না ঈতিনফম ওইবগী মথক্তা অৱাংবা পল ওইরকপা য়াওরক্লিবা করিগীনো? লৈঙাক্কা মীয়ামগগী মরক্তা ঈশিংগা থাওগা ওইবগী ফীভমসিবু দেমোক্রেসিগী অচুম্বা ৱাহন্থোক ওইগদ্রা? ফীভমসিনবু লৈবাক মরা চেৎকদ্রা? চাওখৎ-থৌরাংগী লম্বীদা হন্দ্রেদ মিটর লমজেল চেনবদৌনা খুরুপ থাদুনা চেনখৎপা ঙমগদ্রা? অরুবা ৱাহংশিংনি, মনম-মনম ননশিল্লক্লিবনি। অমমমতা ওইনা পাউখুম পীরক্ত্রবা ফাওবদা মখা তাবা ৱাহংশিং থোরক্তনবা নীংথিজনা শুদোক-চামথোকপগী তঙাইফদবদি লৈরে হায়নীংই। ঙাচিন ১০০দি মেনবা ঙম্মী, মীচিন ১০০দি মেনবা ঙমদে হায়বদু চুম্বা মাল্লে। সোসল মীদিয়াগী প্লেটফোর্মশিং অমদি প্রিন্ট অমদি ইলেক্ট্রোনিক মীদিয়াগী খূৎথাংদা ফোঙদোক্লরক্লিবা ময়ামসি খজিক খরাক্তা নত্তে, তাবা হৈবা ঙমদ্রে। অদুঙৈ লৈঙাক অমগী মতমদা থোকহনখিবা ‘এনকাউন্টর’ দগী ‘ফেক এনকাউন্টর’ ওইরমখিবা থৌদোক কোকথোং অমা থোকখিবা মতমদু ফাওবদা ঙসিগী অসুম্মাইনা লৈঙাক অমসুং লৈঙাক্লোইশিংদা মথবাক খূত্তুম শুদুনা মখূৎ য়ান-য়ান্দুনা অকনবা ৱাহে খোন্দাদা চৈ-থাংবা তৌখিদে। অদুবু হন্দক মমাঙ চহী ২০২৩গী মে ৩দগী হৌরক্লগা হৌজিক ফাওবদা লোইশিন্দ্রিবা লানসিগী মনুংদা কবোক পোকপদৌনা পোকথোক্লরক্লিবা ময়ামসিদি ওন্থোক্লা য়ামখ্রে। লানসিগী চৈথেং নংলবশিংগী মীকপ-মীরাওখোলনে, লৈঙাক অমসুং লৈঙাক্লোইশিংগী মথক্তা হৈথরকপা মৈতাল অচাকপগুল্লবা ৱাহে-ৱাতা ময়ামসিনে, পীকখ্রবা মণিপুরসি পুমশা শারে। মতম অমত্তদা অঙৈংবা, অথোৎপা, অমেংবা, লিরি-খোইরিবা থেংনদ্রে।

ওইরক্লিবা ফীভমসি কুইনা লৈহনবা চুম্লোই, কুইশিল্লক্লিবা মখে অরেং-অরেং পুখনি। লাকশিনবা, ফাজিনবা ঙমদ্রবা ফীভমদা লাক্তুনা মণিপুর পুমতুম তুম্লক্কনি। মীয়াম্না য়ানীংদবা, মখোয়গী অশাওবা পন্দোল লোমখ্রে। করিগুম্বা খুজিল খুৎনাম্থোক্তা লৈখিদবগা য়াওরক্লবদি মতম কুইনা শাংনা লৈমিন্নরকপগী মীনুংশিদা অরোইবা মথৌ মঙমবুদি পাংন-শান্নবা পাঙথোক্কনিদি হায়ববু অমুক হন্না তেকশিন হঞ্জিল্লক্তনবা মোংফমদা চুক শাগে হায়রকপা মীগী মশীংনা য়ামগদৌরে। পোৎলোইরমদাইদা চাদা-নৌদা, মচা-মশুদা হঞ্জিন্দুনা পোল্লক্লবা হকচাংগী মফম অমদা খুদম-চাংদম ওইনবা ‘খঙনফম’ থল্লগুমসি লোইনা হায়নরক্কদৌরে, কমদৌসিগে। রমায়নগী জন্ননি সিতাদি লঙ্কাদগী হল্লকপদা চঙজফম লৈতবদগী মালেম পৃথিবী কৌদুনা ও-খোংনা কপথরকপদা মালেম চেকখাইরক্তুনা লৈক্রক অরাওবদা চঙখি হায়। মদুসু মালেম পৃথিবীনা সিতাগী মমা ওইরম্বদগী ওইরোইদ্রা? অদুবু মীরৈহৎ-মীনুখাং, পোকপদা হরাওদবা, শিবদা কপ্পিংদবশিংসিদি মখূৎতি য়াওদনা মচীনদা খক্তা মমা লৈবাক মরমদম্থু নুংশিবনিনা মালেম লৈমায়দা ফ্রিং-ফ্রিং চোঙদুনা কপ্লকপদা মালেম ইমানা চঙবা চন্নবা লৈক্রক চেকখাইবিরক্কদ্রা? পূম্নমকসিগী মথক্তা পীক্লবা মণিপুরবু হিংজোং-কাইজোংহন্দুনা শলাক শাহল্লম্বগীদমক শমাই লৈদুনা চেনখিবা য়ারোই লাউরকপা মীওইশিংসু থোরক্লি। অতিয়া (স্বর্গ) দা কাখ্রবসু মখোঙ পায়দুনা চিংথগনি, লৈনুং (পটাল) দা চঙখ্রবসু নশম পায়দুনা চিংখৎকনি হায়রকপা য়াওরি। লায়র মচা খম্ববু শামু খোঙয়েৎখিবদৌনা উপ্না তারে উপ্না চিংনি, লোংনা তারে লোংনা চিংনি হায়বসু য়াওরি। ঈঙাং পাক্তক্লদৌরি, ঈমু পাম্ফেন্নদৌরি হায়বসু য়াওরি। অদুবু পূম্নমকসি লেপত্রিবা লান অসিনা ওইহল্লক্লিবা ফীভমশিংসিদগী পেন্দবা, নুংঙাইতবা, শাওনীংবা পোল্লকপদগী হায়নি হায়রোই খঙদনা ঙাঙ-শক্লকপদা মচোং-মপাং নাইদবসু য়াওরকপগী ৱানি। অঙম্বা পাঙ্গল পুথোক্তুনা অরৈবা পাম্বৈ শীজিন্নদুনা লানসিগী ৱারোইশিন পুরক্লবদি পূম্নমক উন-ৱাইমুক চিকখিনি। মহাভারতকী লান লোইশিল্লকপদা ওইখিবা ‘কলিঙ্গা’ গা পাংখক্লরবসু অমুক মকোক্তগী ঈংনা চিক্না হৌগৎপা ঙমগনি। মীয়াম্না ৱারৌরিবদি পূম্নমকসি অমত্তা তৌদে, তেনৱা পাইবা য়েংদুনা লৈথোকই হায়বনি। লানসিনা থা ১১ মপূং ফারক্কদৌরবা ফাওবদা শাদে, নাদে, ঈংদে হায়দুনা লৈথোক্লনু হায়বনি। অঙাং ৱারকপদা য়ূমথংনবগী অঙাং ওইনা শিংলে হায়বগী থৌদৌদু মখা তানা থোকহল্লক্কনু হায়বনি।

ꯇꯦꯀꯁꯤꯟ ꯍꯟꯖꯤꯜꯂꯛꯀꯅꯨ

ꯃꯄꯣꯛ-ꯃꯄꯣꯛꯇꯥ ꯊꯦꯡꯅꯒꯨꯃꯁꯤ ꯍꯥꯌꯔꯛꯂꯦ

[illegible]

[illegible]

নীংশিংবগী থোঙনাওদা - ১৬৬ (শুমাং লীলা অমদি ঐ)

চাইথোরকপা ৱাখল

নরেন্দ্র নিংঙোম্বা

অমরোমদা লীলা পার্টিগী মকোক ওইবা হায়বসি তৌহৈবা নত্তে। শেল হেন্না ফংবসু নত্তে। লীলা অমা শানবদা চপ মান্ননা ফংমিন্নগদৌরিনি। অদুগা ৱাবনা মকোক মরু ওইরিবা অদুতনা ৱাগদৌরিবনি। লীলাগী মমল লৌবগী মতাংসু অদু মঙাই। লীলাগী শেল য়াম্না তারে, মীৱা তাবা। মাগী নোংমগী ফংফম থোকপা অদুদগী হেন্না পীরিখৈ হরাওবা, হেক তারুবদা মীৱা হেক্তা তাগদৌরিবনি। লীলা কৌবিরিবনসু মদুমদি খঙবীবা নত্তে। অদুনা য়ারিখৈ তানবা ঙাঙনবনি। ইশম শম্না লীলাগী মমল লৌবা হায়বসি মতম অমদদি পোৎ চৈ য়োনবগী মমল ঙাঙনবগা চপ মান্নরন্মীবনি। অদুনা লীলা লোইরবা মতুংদা দখিনা ঙাঙননবা লৈকায়গী অহে-অপা শাবা মী থৌওইনা থোরক্লগা ঙাঙনরিবনি। লীলাগী দখিনা লৌবসিসু মকোক মরুদুনা লৌদৌরিনি। অদু লৌনবা হোৎনবদা ৱা খরা কন্না হায়রুরে, মকোক্তুদা মীনা নুংশিরোইদৌরিবনি। ঙাঙনদ্রে শেল য়াম লৌরক্লোইদৌরিনি। লুখ্রজাৎনি। কাল্লে ফূ, কান্দ্রে ফূ হায়বদুগা চপ হেক মান্নবনি। অদুনা শুমাং লীলা তৌবগী ৱারীসিদি লোইবা খন্বা শুকনাই নাইরোই। অমনা নৎত্রগা অমনা হেক্তা থোরক্লি। ঐনা লীলা তৌজরম্বা অদুসু শাংলবা মতম্লি, অদুনা ৱারীসি লোইশিল্লগে হায়রসু অমা হেক্তা থোরক্কনি। পাবীনবা লৈরমদৌ মান্দে তোল্লগে হায়না ফনা য়াম্না খল্লুরে অদুবু ময়াম্না মখা ইবিরকখো হায়বদগী ঐসু নীংশিং নীংশিংদুনা ইজরিবনি। অশোয় অঙাম য়াওরসু মীয়াম্না ঙাকপীনবা খুরুমজরি।

ঐখোয়না লীলা কন্না তৌরকপা, মীয়াম্নগসু পাম্নরক্লবা মতম, ঐখোয়নসু মীকি লাইকিদবা মতম অমা লৈখি। মদুদা ইশা খঙজদনা নাপল কারিবনি। নাপল হায়বসি পোৎশক অমা ওইনা ইমাংদা থোকপা নত্তবনিনা, মশা মশাদা নাপল কারকপসি মোইনদি হায়জগনি, ঐদি নাপল তৌবা হৈজ দে হায়না। অদুগা তৌথোরক্লিবদি নাপলগী থবক ঙাক্তা। মসিগী মতাংদা খজিক্তং নীংশিংজরগা ৱারী মতেক-মতেক খরা-খরা ইজরক্কে। ৱারীসি মীগী নত্তবদা ঐঙোন্দগী হৌজগে। নোংমা ঐ য়াম্না শাউখি। শাউরিবসি কনাদনো হায়না ইশা ইথন্তা হংজবদা মীশক অমখক্তা নত্তে, অপূনবদনি। ঐখোয় মমাঙঙৈদদি লীলা শান্নবা চৎপসি মীনি বস হায়দুনা অমা লৈরন্মী। মপাঙ্গল য়াম্না শোনবা গাড়ীনি। মীসু য়াম্না তোংবা য়াদে। মী খিত্তং য়াম্না নমশিন্দুনা তোংলবা, অদুগা খিতং ঙম্বগা লৈরল্লবদি থৌগৎপা ঙমদদুনা ঙে-ঙে তৌদুনা লৈবনি। অদুনা মী খরা কুমথরগা ইনখৎলগা চৎলিবনি। মসি চীংগী লমদনা অয়াম্বা খুদোং চাদবসি থোক্কল্লি। হায়রিবা মীনি বস অসিদা ঐখোয় লীলা চৎলি। কুমজা ১৯৮০গী মতম অসিদদি মণিপুরদা লো এন্দ ওর্দরগী ফীভমসি অঙকপা ফংনা ফত্তে। লালহৌবসু কল্লি। অদুনা ষ্টেট এক্টর অমদি নন ষ্টেট এক্টর অনীগী মূক্লবা য়াম্না কন্না লৈ। অদুগীসু মথক্তা মপান্দগী লাকপা ইন্দিয়ন আর্মিগী অহেনবা দ্যুটি খুতৌসিনা মরম ওইদুনা য়াম্না কিনবা মতম ওই। অদু ওইরবসু শুমাং লীলাগী খোঙচৎতি লেপ্পা লৈতে, অহোংবসু পীবা ঙমদে। হেন্না হেন্নদুম লীলা চৎলি। হায়নরিঙৈসিদা মতমদুগী ওইখিবা নীংশিংজবা ফীভম খক্তংগা পঞ্জহৌগে।

লীলা কন্না শান্নরিঙৈ মতমদা লীলা ময়ায় চল্লকপদা নহারোলশিংগী মরক্তগী অমা থোরক্লগা, নোংমৈগকা মশাদা য়াল্লিপোৎনি, মীয়াম লোইনা উরিবনি। লীলাগী ময়ায়দা থোরক্লগা মখোয়না হায়নীংলিবা ৱাদু মমায় মমিৎ খুমজিল্লগা মাইক্রোফোন পায়দুনা ঙাঙই। ময়াম তূমিন-তূমিন লৈ। মখোয়গী হায়নীংবা ৱাদু হায়বা লোইরবা মতুংদা মতমদুদা চেজোই হায়দুনা pamphlet কুম্বা চেদা মরোল কয়া ইবা, অঙাংবা মচুগী চে ওদিএন্স মরক্তা চাইশিনবসি য়াম্না তোয়না তৌই। মদুগী থবক্তু লোইরবা মতুংদা পন্থদনা মখোয় মরী-মরী থোকখ্রনি। অদুদগী মখোয়না অসুম্না হেক তৌরল্লবা ঙাইহাক্কী মতুংদা আর্মিসু অদুম য়ৌশিল্লক্কনি। ঐনা খনবদা মতমদুদা সী আই দি হায়বসি ঐখোয় মীচমগী মরক্তা অদুম লৈ। করি খুদোংচাবা ফংবনো খঙদে, অমনা হেক্তা তমশিনব্রা খঙদে নৎত্রগা তান চারুবনরা খঙদে হেক্তা লাক্কনি। অদুগা অমুক লীলা শান্নরিবা মফমদু পুমকোই কোইশিল্লগা কোন্সিং ওপরেসন হেক্তা তৌরক্কনি। লীলা য়েংলিবা ময়ামদু মীহুন থাহুন লোইনা চেনখৎনবনি। আর্মিনা কোইশিনখ্রে হায়বসি অদুম খঙই। ঐখোয়সু লীলাদু লোইহৌনবা হায়দুনা লেপ্তুনা অদুম শানৈ। ময়ামদুসু থোকপসু য়াদবনিনা লীলাদু অদুম য়েংই। নুংঙাইখ্রবা মওংনি। অদুগা লীলা লোইরগা থোরকপা মী খুদিংমক আর্মি চ্যেক তৌবসু য়াওই। নৎত্রগনা খরা শাথীবা আর্মি কাঙবু ওইরগনা লীলা শান্নরিঙৈ মরক্তুদা লীলা ময়ায়দা চঙশিল্লক্লগা লীলাদু তোকহল্লগা ওপরেসন হান্না তৌবগসু য়াওই। নোংমা য়াম নোক্লিংবা কিসু য়াম কিবা থৌদোক অমতংগা হায়জগে।

ঐনা খনবদা মদু ওইনামদা ওইরমগনি হায়না খল্লি। লীলাদু য়েংবীহৌবশিংদি হৌজিকসু কাউবীরমখিরোই। কুইবুদি য়াম্না কুইরবা ৱানি। হৌরক্লিবা অঙাংশিংনদি খঙলরোই। খিতং লিশিল্লবা মীশিংনদি শোয়দনা নীংশিংবীরমগনি। ঐখোয় লীলা কন্না তৌরি। আর্মি ময়াম থুংলরে হায়বসি ঐখোয়সু অদুম খঙই। অদুবু কৈসু হায়দে। ঐখোয় লীলা কন্না শান্নরি। মখোয়সু অদুম পংলৈ লৈরিবোই নীংই। অদুগদি মোইদি কৈনোমা তৌগে হায়না তৌরিজাৎনিদনা। লীলা ময়ায়দা ঐ থোক্লগা কপ্পনে কৈনে তৌদুনা লীলাদু কন্না শান্নরি। আর্মি অমনা ঐগী তুংলোমদা চঙলক্লগা ঐগী লেংজুমদা তাপ লাউনা পায়রকপনি। ঐদি মা চঙলকপদু এক্টিং তৌরিঙৈদা খঙহৌদ্রে। ওদিএন্সশিংনসু কৈসু হায়রক্তে, ঐসু ঐগী তৌফম থোকপদু অদুম মতৌরি। লেংজুমদা কনানো অমনা পায়রকপদুদদি ঐসি ইঙক ঙক্লা ফৎ লাউনা লৈথোক্লবদি মকোইগা ফজনা চোন্বা ঐঙোন্দগী ইঞ্চি অনীমুক হেন্না ৱাংবা মরাং-মরাংবা আর্মিগী ফিজোল শেৎপা অমদি নোংমৈ অশাংবা অমা মরেংজুমদা য়ানবা নুপা অমা ওইরন্মী। অদুগা মাগী তুংদনা নোংমৈ এইম তৌরগা ঐঙোন্দা ওনশিল্লক্লগা লেপ্পদু হেক উরুরে। ঐদি লীলা তৌরিবনি মী ময়াম্না য়েংলিবনি হায়বগকা লোইনা কাউথোকখিদনা মোই হিংচা-য়াইতম্বা মানবশিংদু উবদুদা ইঙক ঙক্লা "হো ইমা" হায়না হেক লাউরুবনিনে। অদুদা ঐনদি কিজদনা তৌরিবা লীলা য়েংলিবা ময়ামদুনদি ঐগী ইতৌদুদা ‘ৱা’ লাউনা হেক নোকখি। ঐনা কোন্নদি খঙলে। আর্মিশিং ঙাক্তনি হায়বা। ঐঙোন্দা "ভয়া তুম চুপ রহো, হম কুস নহি করেগা’ হায়দুনা পোপ পোপ থারকখি। ঐ ইকায়বোই করিবোই নোকফেৎ তৌরগা অদুম লেপ্লে। আর্মিদসু অদুম লেপ্লী। ঙাইহাক্কী মতুংদা ঐখোয় লীলা ফি শেৎফমদা চঙলে। লীলাদু অদুম কাইরে। অদুগা আর্মিশিংদুনা মখোয়গী তৌগদবা থবক তৌবা হৌরে। তৌরিবদি অতৈ করিসু নত্তে ওপরেসননি। মোইনা হায়বদা ওদিএন্স মরক্তা মখোয়না থিবা মী অমা য়াওরে। মদু থোরকউ, নৎত্রবদি লোইনমক চ্যেক তৌগনি সিনি। ওন্থোকপা মতৌ অমনি। অসিগুম্বসি মতমদুদা থেংনবনি। মসিদি নোংমখক্কী ৱা নত্তে। তোয়খ্রবা ৱানি। আর্মি থেংনবদা তাখিবা অৱাবা কয়াগী ৱারী কোঙ্গাই অমা লৈরি। মদু মথং-মথং পাউদমজরক্কে। নাপলগী ৱাসি থৈদোকখিদৌরে মদু অমুক্তা লীজহৌখিগে।

মতমদুদা অদুগুম্বা খুদোং চাদবা কয়া অমা লৈবনা ঐখোয় অহিং অথেংবদা হল্লকপা খুদোং চাদে অদুনা লীলা মফমদা মচি অমদা তূম্মগা নোং ঙাল্লকপদা হল্লকপা ঙাক্তা ওইনা তৌরন্মী। নুমিৎতুমদি ঐ ইশাসি য়াম্না নুংঙাইতে। মদু ঐনা খনবদা লোক লাইহৌ কন্না তৌবনি। ইশাসি কন্না নীংথম চল্লি। ফি লৌথোকপা ঙম্বা নত্তে। নীংথমথাগা ওইরে, লাইহৌগা কন্না হৌরে। ঐ লীলাদি চৎতবা য়াদবনিনা ময়াম্না ঐগী য়ূমদা মীনি বস থৌরক্লগা লৌরে। অদুগা লীলাদু শান্নবা চৎলে। ঐ য়াম ৱানা শান্নৈ, ইশাসু ঙমদ্রবনিনা চাকসু চাদ্রে। লীলা শান্নরিবা শুমাংদুগী মাঙ্গোলদা ফি শানবা কোন থাই। মদুগী কারক্তুদা অহাঙবা অমা লৈ। অদুদনা নুংশিৎ লাকপা খরা ফগনি হায়দুনা ফক অমা থাদুনা ইমুংদুদগী ফি অথাবগা পীদুনা ঐ হিপ্লে। মফমদু ঐনা নীংশিংবদা নোংপোক লৌরেন্সম ওইরমগনি খল্লি। নুমিৎতুগী লীলাদুসু ঐ নীংশিংলি, লমলক্কী চেক্লা হায়বা লীলাদু শান্নবনি। তূমথখিবা হায়বসিদি অশিবগা চপ মান্নৈ হায়নরিবনি। নোং ঙানফুং ঙানফুং তৌরকপদা তা চাউবনা, তা চাউবা হায়রিসি শক অমুক্তা তাকচহৌগে, মরকপুদি থৎলে ৱারৌবীনু। ঐখোয়না রিজার্ভ চৎলিবা মিনি বস অদুগী মপূনি, মশানসু ড্রাইভর ওইনা চৎপনি। য়াম নুংঙাইবা মীশক অমনি, উৎলৌদগীনি। মহাকপু মতাংসিদা পল্লমদ্রবদি য়াম ৱারৌরনি। ●

কাঙলূপকী লান মরক্তা মীখলগী লান অমুক

পূন্সি ঈচেলদা - ৬২

ডা. ঙাঙবম শান্তিকুমার

থা ১০ হেল্লক্লবা কুকি-জৌ অমদি মীতৈ/মৈতৈ কাঙলূপ অনী অসিগী লান লোইদ্রিঙৈদা মীখলগী লান অমুক হাপচিল্লক্লে, নুংঙাইদৌরি ইরমদমসে। হংনীংলিবা ৱাফমদি মীখল অসি দেমোক্রেটিক ওইনা চুন্না পাঙথোক্তুনা মীয়াম্না পান্থা লুচিংবশিং খনবা ঙমগদৌরিব্রা হায়বা অসিনি। মমাঙ চহী কয়াদা ঈরাং থোক্ত্রিঙৈদা তোঙান তোঙানবা মখলগী মীখল কয়া পাঙথোকখ্রে ইরমদমদা। ঈরাং থোক্ত্রিঙৈ ফাওবদা মীখল চুন্না পাঙথোক্তুনা মীহুৎ খনখিবগী মীদিয়াশিং অমদি সোসল মীদিয়াদা পেন্দবগী খোল্লাও কয়া লাউখিবা ঐখোয় খুদিংমক্লা থেংনখ্রবা ৱাফম্নি। অসিগুম্বা মওং চুমদবগী মীখলসি লো এন্দ ওর্দর কয়া লৈতবা চীংগী মফমশিংদনা অমুক হেন্না থোকই।

মসিগী খ্বাইদগী ঙকপা খুদম অমা হায়রগদি চীংগী, মরু ওইনা কুকি-জৌ কাঙলূপকী লালহৌবশিংগা বি জে পি সেন্ট্রেল লৈঙাক অনীগী মরক্তা অরোনবা য়ানবা পুরক্তুনা মণিপুর ষ্টেট এসেম্বলি ইলেক্সনদা কুকি-জৌ কাঙলূপকী এম এল এ ১০গী মনুংদা এম এল এ ৭ অমদি বি জে পিদগী খনখিবনি। অসিগুম্বা মওংগী মীখলসি চীংগী কন্সটিট্যুএন্সিশিংদদি য়াম্না তোয়না থোকই মিলিটেন্টশিংনা নমদুনা কাহনৱা নৎত্রগা পাল্লি-পাল্লিবা ষ্টেট লৈঙাক্লবু ওইগেরা নৎত্রগা সেন্ট্রেল লৈঙাক্লবু ওইগেরা।

অসিগুম্বা অরোন অথুপ অমদি নোংমৈ চিন্দোলদা মীয়াম্থু হোই-হোইদুনা মিলিটেন্টশিং অসিনা কাহন্নীংবা মীরেপ্তা নম্ফু হাফুদা ভোট থাদহনবগী নৎত্রগা মিলিটেন্টশিং অসিনা মখোয়গী মহুৎ শিন দুনা থাদদুনা ভোট কাহনবগী থৌওং অসিগী মথক্তা ম্যান্মার অমদি বাংলাদেশলোমদগী চঙশিল্লকপা কুকি-জৌ কাঙলূপকী মীওইশিংগা শাশিন্নবা আধার কার্দনচিংবা পীশিন্দুনা ভোট থাদহনবনা লমদম অসিগী য়েলহৌমী ওইনা হৌরকখিবা নাগা কাঙলূপ্তুগী এম এল এ মশীং হেন্না লৈরক্কদৌরে। হন্দক্কী এম পি মীখল অসিদসু হায়রিবা মীতোপশিং অসিনা ভোট থাদদুনা কুকি-জৌ কাঙলূপকী মীহুৎনা নাগাগী মীহুৎপু মায়থীবা পীদুনা চীংগী এম পি ওইনা সেন্টরদা চৎখিবা য়ানা লৈরি। অদুম ওইনমক নাগা কাঙলূপ্না পূনশিন্দুনা মীহুৎ অমখক থাদোক্তুনা চীংগী কন্সটিট্যুএন্সিদা চনবা মীতৈ লাখ অনী খরা হেনবা ভোটরশিংগা পূনশিন্দুনা নাগাগী মীহুৎতা পূন্না ভোট পীরবদি নাগাগী মীহুৎনা কাবসু য়াই। মীখলসিদা কুকি-জৌগী মীহুৎনা নৎত্রগা নাগাগী মীহুৎনা মায় পাকপা নৎত্রগা পাক্তবা হায়বসি মীখল অনীসিগী পোলিটিকেল ষ্ট্রেটেজিদা অমদি পূনশিনবদা মখা য়াম্না পোল্লি।

চীংগীবু ওইগেরা, তমগীবু ওইগেরা ঙসি মণিপুরগী ওইরিবা ফীভম অসিদদি মীয়াম্না মেম্বর ওফ পার্লিয়ামেন্ট খনবগী মীখল অসি পাঙথোকপা পামদে। মীয়াম্না পাল্লিবদি মীখল পাঙথোক্তুনা মীহুৎ খনবসি নত্তে তৌইগুম্বসুং হান্না মীহুৎ ওইনা থাগৎখ্রবা লুচিংবশিং অসিনা ঙসি-ঙসি কাঙলূপকী ওইবা থা ১০ হেল্লবা ঈরাং অসিবু লোইশিন্দুনা হান্নগী ঈং-তপ্পা পূন্সিরোল অদুদা অমুক হঞ্জিলহনবা অদুনি। মীখলগী লান য়াওদবীদা থা ১০ হেল্লবা লান অসি লোইশিনবা ঙমদ্রগা মতৌ করম্না মীখলগী লান অসি অমুক য়াওশিল্লগা ঈরাং অসি লোইশিনগদৌরিবা হায়বা ৱাহংসিনি মীয়াম্না হংনরিবসি।

অদুগা নাকল অমরোমদনা দেমোক্রেসি চৎপা লৈবাক অমনি হায়দুনা (তশেংবগীদি ইন্দিয়াগী দেমোক্রেসিদি দেমোক্রেসিগী মীংদা পোলিটিকেল লুচিংবশিংনা শেল হুরানবা নুংঙাইনবা থোনবা মিংথোলনি হায়বা য়ারে) মীখল পাঙথোক্তুনা মীয়ামগী লুচিংবা খনবসি তৌদা য়াদ্রবা মথৌ অমনি হায়দুনা মীখল পাঙথোক্কদৌরি। মরম অসিনা মণিপুরগী মীয়াম্না পামগেরা পাম্নোইরা এম পি মীখলদি শোয়দনা পাঙথোক্কনি। মরম অসিনা ঙসি মণিপুরগী মীয়াম্না খন্নগদবা ৱাফমদি মতৌ করম্না খ্বাইদগী অফবা, চঙখোনবা, লুচিংবা খনগদগে হায়বা ৱাফমসিনি। অফবা, চঙখোনবা, মতিং লৈবা লুচিংবা খনবগী মতাংসিদা এম পি অমা ওইবগী মরু ওইবা মতিক ময়াই খরা থমজগে।

ঙসি ওইরিবা, লৈরিবা মণিপুরগী পোলিটিকেল সিচুএসন অমদি চৎনবী অসি য়েংলগদি পোলিটিকেল পার্টিদা য়েংদুনা ভোট থাদরবদি করিমত্তা কান্নবা ফংলোই খল্লি। মরমদি পোলিটিকেল আইদিওলোজি ঙাক্লা চৎপা কেন্দিদেটশিং মশীং য়াম্না লিকপনা অমদি মশা মশাগী পৱার ফংনবা খন্দুনা পাল্লি-পাল্লিবা লৈঙাক্তা য়াওশিনবগী চৎনবী অসি লৈবনা। মরম অসিনা খ্বাইদগী অহানবদা চঙবা মতিক ময়াইদি লোল হৈবা অসিনি। মণিপুরগী ৱাংমদা থোক্তুনা ইন্দিয়ন পার্লিয়ামেন্টতা অমদি নেসনল মীদিয়াশিংদা ৱাফম কয়া ফোঙদোকপা মথৌ তাবনা মীতৈলোল/মণিপুরীলোল খঙবগী মথক্তা নেসনল লেংগ্বেজ ওইরিবা হিন্দি নৎত্রগা নেসনল ওফিসল লেংগ্বেজ ওইরিবা ইংলিসতা মরীক চুম্না পাউ পীবা ঙম্বা, মরীক চুম্না খন্ন-নৈনবা ঙম্লবদি অতোপ্পনা নৎত্রগা মীদিয়ানা হংলকপা ৱাহংশিংগী পাউখুম মরীক চুম্না হিন্দিদা নৎত্রগা ইংলিসতা খুম্না ঙম্বা মীশক ওইগদবনি।

অনীশুবদা, লোল খঙবা, ঙাঙবা ঙম্বগী মথক্তা এম পি ওইগদৌরিবা মীওইশিং অসি মণিপুরগী পুৱারী মশক নীংথিনা খঙবা, মণিপুরগী সোসিও-জিও-পোলিটিকেলগী ফীভম নীংথিনা খঙবা মীওইশিং ওইগদবনি। হায়রিবা হীরমশিং অসি মরীক চুম্না খঙদ্রবদি লোল ফনা হৈসনু করিসু ফোঙদোক্লুবা, হায়রুবা ঙম্লোই। মরম অসিনা লমদম অসিগী সোসিও-জিও-পোলিটিকেলগী ফীভম নীংথিনা খঙবা মথৌ তাই।

অহুমশুবদা, লোল অমদি সোসিও-জিও-পোলিটিকেলগী হীরমশিং অসি খঙবগী মথক্তা থৌনা লৈনা লেপখৎতুনা পার্লিয়ামেন্টতা অমদি নেসনল মীদিয়াগী মমাঙদা ফোঙদোকপা অমদি ঙাঙবা ঙম্বগী মতিক ময়াই লৈগদবনি। ফনা খঙ হৈরবসু লোল কয়া ঙাঙবা ঙল্লবসু ঙাঙথোকপগী, ফোঙদোকপগী থৌনা য়াওদ্রবদি পূম্নমক কনানসু খঙবীরোই, উবীরোই।

অরোইবদা, মরমদম মণিপুরবু অমদি লমদম অসিগী মীয়াম্থু থম্মোয় শেংনা নুংশিজবা মীওই ওইগদবনি। লোল ফনা হৈরবসু লমদম অসিগী মরমদা ফনা খঙলবসু, থৌনা ফনা লৈরবসু মণিপুরবু অমদি লমদম অসিগী মীয়াম্থু থম্মোয় শেংনা নুংশিবা ঙমদ্রবদি মীওই অদুনা ঙাঙথোরকপা, তৌথোরকপা থবক খুদিংমক মশাগী কান্নবা য়েংদুনা ঙাঙথোরকপা অমদি তৌথোরকপা থবক ওইনা থোক্কনি। মরম অসিনা মরমদম মণিপুরবু অমদি লমদম অসিগী মীয়াম্থু থম্মোয় শেংনা নুংশিবগী থম্মোয় চেনবা ওইবা য়াম্না মথৌ তাই।

লোইশিল্লকপদা, মণিপুর কৌবা লমদম অসিবু মশক তাকসি, চাওখৎ খোঙথাংদা পুরকসি হায়রবদি মথক্তা পঞ্জরিবা মতিক ময়াই মরী অসি য়াম্না মথৌ তাই। মরম অসিনা হন্দক্কী এম পি মীখল অসিদগী হৌদুনা ইরমদমগী লুচিংবশিং খনবদা লমদম অসিদা অফবা, অহোংবা পুরক্কদবা, লমদম অসিবু থম্মোয় শেংনা নুংশিজবা মীয়ামগীদমক অমদি লমদম অসিগীদমক থৌনা ফনা লেপ্পা ঙমগদবা, ঙাঙবা ঙমগদবা লুচিংবশিং খল্লসি। লোয়ননা ভোট ময়াদা শেল খরা উবদা ৱান্থবগী ফীভমদুমা লাপ্পা লংথোকপসি। শেল খরা খরদা মীহৌরুবা অদুননি ঙসি ঐখোয় খুদিংমক্লা ৱারিবা। শেল খরা উবদা ঙসি ঐখোয় খুদিংমক্লা ৱারিবসি কাউথোক্কুমসি। ●

মীতৈগী পুয়া ‘নিঙ্থৌলোল্ লম্পুপা’

(নিংথৌরোল লম্বুবা) - (১২৯)

(পুয়াগী অরিবা ময়েক্তগী বাংলা ময়েক্তা চনম হেমচন্দ্রনা
লায়থোক্লা ইথোকপা অসি মীতৈ ময়েক্তসু
নুমিৎ খুদিংগী লমাই অসিদা ইথোক্তুনা ফোঙজরগনি।)

অঙৌবা অঙোম নিংথৌ। হাওখৈ লালথাবা নহাকসু। অঙৌবা কমবোং ফাবা। শেকতা লম লোইতাল থৌবা খোংঙাইলাবা চেকমিংনবা ফাবা ও মিংকৌসে। হায়না মিংথোল পীখিয়ে। ইয়ামবা খমলাং পামশাবা নহাকপু। কৌব্রু নাপেৎ লালয়ানবা। সানল লালচাইবা। হাওকুরাং শলথিলবা। কাইনা হলবা ও। হায়না মিংকৌসে মিংহোংখিয়ে। হায়য়ে। লাইরেল মৈদিংঙু লোইয়মবা। লোকলেল ৱালখু ঙমবা। হাওথাঙ হাওরেল ফাবদি। চোইনৌ সনা মিংলেল মিংথোলগা থোইনা হেলনা চুশিননা চানবনে।

মৈতে লৈমা নোংবাললোল সুমলৈমা

নবেনথৌ মৈতে লৈমা। শেললোই লংমাই নিংথৌ নিংঙোল। ●

ꯃꯤꯇꯩꯒꯤ ꯄꯨꯌꯥ 'ꯅꯤꯡꯊꯧꯔꯣꯜ ꯂꯝꯄꯨꯕꯥ'

(ꯅꯤꯡꯊꯧꯔꯣꯜ ꯂꯝꯕꯨꯕ) - (꯱꯲꯹)

[illegible]

[illegible]

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।